# মণিপুরী ফিল্মনা চহী ৫০শুরকপগী সনা ফুদোংবা থৌরম অমদি হৌজিক - ২

*-নানি*




মণিপুরী ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস) না শীন্দুনা মণিপুরী ফিল্মনা চহী ৫০ শুরকপগী সনা ফুদোংবা থৌরম (গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসন ওফ মণিপুর সিনেমা) হৌখিবা এপ্রিল ৯, ২০২১দা সোসাইটি অসিগী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেননা চীফ গেষ্ট অমদি শ্রী ৱাই জয়কুমার, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা প্রসিদেন্ট লোয়ননা অসামগী ফিল্ম মেকর মঞ্জু বোরা অমদি ফিল্ম হেরিটেজ ফাউন্দেসনগী ফাউন্দর দিরেক্টর শ্রী শিভেন্দ্র সিংহ দুঙ্গরপুরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। নুমিৎ অদুমক্কী নুংথিলদা ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু লৈশেম্বা সনাজাওবা, এম পি রাজ্য সভানা চীফ গেষ্ট, শ্রী এম জয়, কম্মিস্নর আর্টস এন্দ কলচরনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী এন বিরেন, ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ফিল্ম হায়বা অসি এদ্যুকেসনগী চাউরবা শরুক অমনি, মসিনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাকপদা নত্তনা মীরোল কয়াদা লমদমসিগী কলচরগী ফজরবা মশক অদু পরিং কায়দনা পুথোক্লিবনি। মরম অদুনা লৈঙাক অসিনা য়াম্না চেকশিন্না ফিল্মগী ওইবা পোলিসি কয়া পায়খৎতুনা হেন্না ফবা মায়কৈ অমদা পুরক্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা থমখি। আর্টিষ্টশিং অমদি ফিল্ম মেকরশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসি পুকচেল শেংনা হোৎনগনি। ষ্টার্ট অপ হায়বা পোলিসিদসু ফিল্ম মেকরশিংনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লগনি। আর্টিষ্টশিংগী পেন্সন স্কিম হৌদোক্তুনা কান্নবা পীবা হৌরে। মীয়াম্নসু মপূং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়ননা ইহান হানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মগী দিরেক্টর দেবকুমার বোসনা মণিপুরগী অহানবা ফিল্ম অমা মহাক্না পুথোকপা ঙমজখিবা অসি মহাক্কী পূক্নিংদা চাউথোকপা ফাওই। থৌরম অসিমক মাগী পুন্সিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইবা নুমিৎ অমনি হায়না লৌই হায়না ফোঙদোক্লদুনা মতমদুগী আর্টিষ্টশিং, ফিল্ম প্রদ্যুসর অমদি ক্রু মেম্বর পূম্নমকশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

নুংথিল মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা লৈশেম্বা সনাজাওবা, এম পি (রাজ্য সভা) নসু ফিল্ম সিটি অমা শাবদা মতেং পাংবীনবা সেন্টরগী লৈঙাক্তা হায়জগনি হায়বা থাজবা থল্লমখি।

নীংশিংবা য়াই, কে টি ফিল্মসনা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৭২গী এপ্রিল ৯দা *মতমগী মণিপুর* হায়বা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অমা সেন্সর সর্টিফিকেট লৌদুনা মণিপুরগী মীয়ামদা য়েংহনবা হৌখি। ফিল্মসি অরাম্বম সমরেন্দ্রগী *তির্থ যাত্রা* হায়বা অর্য়ান থিএটরনা শান্নখিবা দ্রামা অদুদগী এ লোকেন্দ্রনা স্ক্রিনপ্লে ইরগা নমখিবনি। দিরেক্টর ওইরিবা দেবকুমার বোস হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা কে অমুমচাগী ইমুং মনুং অমদি সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ন এসোসিএসন (সী এ টি এ) গা পূন্না শীনখিবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়ম, পেলেস কম্পাউন্দদা থৌরম অমদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখি। মসিনা মতমগী মণিপুর ফিল্ম রিলিজ তৌখ্রবা মতুংদা লাকপা মহাক্কী খোঙচৎনি। গোল্ডন জুবিলিগী সেলেব্রেসন অসিদা শরুক য়াবা লাক্লিবা অসিনা মহাক্কী অনীশুবা খোঙচৎনি।

শাংলবা খোঙচৎ অসিগী মনুংদা মণিপুরী ফিল্ম পোলিসি অমা লৈজবগী নুংঙাইবা মীকুপসু লৈখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি হান্না লৈজরম্বা সিনেমা হোলশিংনা বিজিনেস সেন্টর ওনখিবা, স্কুল ওনখিবা অমদি অতৈ অতোপ্পা সোপিং মোলনচিংবা ওন্থোকখিবদগী ফিল্ম উৎনবা মফম লৈরক্তবা অসিনা মণিপুরী ফিল্ম অসিগী মরাইবক অসি হেন্না হেন্না শোকথরক্লি। মার্কেট লৈতনা ইন্দষ্ট্রি লৈবা য়ারোই। অদুনা মার্কেটকী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবা হায়বা অসি তঙাইফদে হায়না খল্লি। মণিপুরী সিনেমাগীদমকনি হায়না উরেপ উয়ুং তমদুনা শাখিবা এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়ম অসি (হৌজিক্তি পেলেস ওদিটোরিয়ম হায়না মমিং ওনখ্রে) ফিল্ম চাং নাইনা উৎনবগী ৱাফমদি হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈত্রি। মসিদা তোঙান তোঙানবা লন্নাইগী অমদি লূপশিংগী থৌরম পাঙথোকফম ওইনা লৈরে।

ফিল্মগী ৱাদগী য়াম্না লাপ্না থৈদোক্লগা, লুহোংফম ফাওবগী মফম ওইদুনা শেল হোল ওন্থোকপগী ৱাফম মমাঙদা লৈখ্রে। মসিগা লোয়ননা ফিল্ম ইন্সটিট্যুট অমসু লিংখিবা চহী তরুক মপূং ফাখ্রে। অদুবু ইন্সটিট্যুট অসি করম্না চৎথরিবগে হায়বসি খন্ননীংঙাই ওই। হায়রিবশিং অসি গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসন অসিগী মতুংদগীদি অখন্নবা মীৎয়েং অমা চঙনরক্তুনা অহোংবা খরা লাকপা য়াই হায়বগী থাজবদি থল্লি।

চহী ৫০ শুজিল্লক্লবা হায়বসি তাইবঙ মীওইবা অমগী পুন্সিদা পানশিল্লগদি অহল মতম হায়বদু ওইশিল্লক্লবনি। পুন্সি অমগী শরুক তঙ্খাই হেনিজল্লক্লবা মতম অসিগী মনুংদা মণিপুরী ফিল্মগী ওইবা অশেংবা মশক অমা লৈজবা অমদি মপূং ফাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈজবগী পেন্থোকচবা অদুমদি হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈত্রি। হোয় ঐখোয়গী ফিল্ম খরদি নেসনল খক্তা নত্তনা মালেমগী থাক্তা ফাওবা মনা লৌরকপা অমদি ঐখোয়গী ফিল্মনা ইন্দিয়ন ফিল্মগী মমায় পুরকপা ঙমখিবগী চাওথোকচবা অদুবুদি লৈ। মদুগী মতেক মতেক



ওইবা নুংঙাইবা পাউ অদুনা ঐখোয় পেন্থোক্না লৈথোকপা য়াদ্রি। তৌগদবা, শেম শাগদবা কোকথোং অমা লৈরি। মসিমসু মেনখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মণিপুরী ফিল্মগী ফীভম অসি হৌজিক্লবু হেন্না লুশিল্লক্লি হায়বা তাই। কম্মর্সিএল ফিল্ম হায়গদ্রা হোলদা কাপ্তুনা মীয়ামদা য়েংহন্নবা থৌরাং তৌনরিবা ফিল্মশিং অসিগী মার্কেটকী ফীভম অসি য়াম্না নুংশা থীনীংঙাইনি। ফিল্ম উৎফম লৈরক্তবগী মথক্তা ফিল্মশিং অসি হোলদা চৎলগা য়েংবগী নুংঙাইবা অদু করিনো হায়বা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা খঙলক্তবা অসিনি। মী পংয়াম য়ামদনা তিনবা য়াবা অয়েংবশিংগী ফেসিলিটি অমদি ফিল্মগী সাউন্দনচিংবা মতিক চাবা হেক মথৌ তাবা ইক্বিপমেন্টশিং শুনা লৈবা হোল অমা ফাওবা হৌজিক লৈজদ্রি। মসি খল্লুরগদি হেন্না শ্বর ফুনজিল্লক্লি। মসিগী থৌরাং অসিসু করম্না লৌখৎপা য়াগদগে হায়বা পোলিসিগী লমায়দা লৈবগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা ওন্থোকপা য়াবগী লম্বী থিবা মতম থিল্লে। ফিল্মদি হোলদা নুংঙাইনা য়েংগদবনি। লম্পাক্তা অমদি লমহাংদা য়েংবগী মনুংঙাই অদুগা হোলদা য়েংবগা য়াম্না খেন্নগনি। মপূং ফাবা হোল অমদা ফিল্ম অমা য়েংবগী পূক্নিংদা ফাওবা সাইকোলোজিকেল ইমাজিনেসন কয়া অদু ফংবা ঙমগদৌরিবনি। ঐখোয়গী লমদম অসিদি কলচরগী লৈহাও অসি অসুক্কী মতিক হোন্মী। ঐখোয়গী মী খুদিংসু টেলেন্ট য়াম্না লৈ। টেলেন্টশিং অসি মপূং ফানা ফুদোকপা ঙমজনবা মতেং পাংশিনবীবা মথৌ তাই। নৎত্রগদি চীংদা শাৎপী ইঙেল্লৈ চিন্নদনা কেনখিবা কল্লকইদে হায়বদু তাদুনা তোক্কদৌরিবনি। পূম্নমকশিং অসি য়েংলগা লৈঙাক্লসু তৌবা য়াবা করি লৈরিবগে হায়বা য়েংশিনবিদুনা হেন্না ফগৎলকপা মায়কৈ অমদা পুরক্লগদি মণিপুরী ফিল্মগী নুংঙাইবা নুমিৎ অমা শোয়দনা থোরক্কনি।






## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০৪।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
শজিবুগী ৬ নি পানবা।

মেষ : অঙন্বনা থোইনা চানবীগনি, লৌশিং চাওগনি অমদি মীয়াম্না পাম্নবা নুমিৎনি। ৱানোম্বা অমদি অনৌবা লৌশিং তানশিনবা য়াগনি। হুনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : ৱারৌনবা য়াম্মী ঈরাং পুগনু অমদি লৌথোকনিংবসু য়াম্মী -মরুপ খনবা হৈয়ু। মোং হাদবা অমদি নোল্লুক্না চৎপনা মাঙগদবদগী কনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : হরাওবা, মীচং ফংজবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা শাওহনবা অমদি ফংবা য়াবা পনবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : মরী মতা/নক্লবনা তেংবাংবীবৈ নুংঙাইবা অমদি ফমথোল ফংবগুম মীংচৎ ফংবা লৈ। অদুবু অঙন্বনদি চানবীবা ৱাৎলি অমদি খুরৌ থাংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ফোঙদোকপা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবা লৈ। লৈঙাক্কী লম্দা অঙন্বগা মুক্কৈ। অদুবু শেন্দোং ফংই, অনীংবা থবক পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : থবক পাংবৈ নুংঙাইজবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা চাওনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। অয়াম্বা থবক্তা থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি। মৈনদি তাথি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা : অশাওবা হায়বদি মাঙনবগী মশক্লি হায়বা কাউগনু। চিন কনগনু অমদি হন্থবা লোয়নগনু-অফা অপুন্নগনি। অনৌবা থবক পাংবা য়াখিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

বৃশ্চিক : অফবা মরুপ ফংগনি, লৈফম অফবা ফংগনি অমদি অফা-অপুন্নবা কোকচগনি। পাউদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু : নীংবা শোয়দনা থুংগনি, অয়াম্বা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংজগনি। লৈঙাক্কী লম্দা অমদি অঙন্বগা মুক্লবদা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : মায় পাক্কনি, মীচং খোম্বা য়াগনি অমদি মীংচৎ ফংগনি। লাই-গুরুনা চানবীবা অমদি পোরম য়াৎপসু হৈবা নুমিৎনি। থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : খাংবা কনবা, থিবা হুম্বা কনবা অমদি অখঙ অহৈগী পাউতাক লৌবনা পুম্নমক্তগী য়াইফগনি। ঙাঙ-শকপদি হৈ, নচা-ননাই চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : থাজদনা ওইজ-ওইথক শোইদনা ফংগনি অমদি নুংঙাইবা পাউ তাজগনি। লাই-গুরুকী থৌজাল ফংংগনি অমদি মরুপ অফবা ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।






মপা : ইবুংঙো তোম্বা নঙবু কৈদৌরিবনো?
তোম্বা : ঐগী মরুপ চাওবদা থানবা চিঠি ইরিনি।
মপা : নঙদি লাইরিক ময়েক ইবা হৈতদাইনে?
তোম্বা : করিসু কাইদে, চাওবসু লাইরিক ময়েক পাবা হৈতবনি ...!



ওজা অমনা গধা অমগী মমাংদা ঈশিং বাল্টিন অমা
অমসুং শঙ্গোম য়াওবা বাল্টিন অমগা থম্মী...
গাধা অদুনা বাল্টিনদা য়াওরিবা ঈশিং লোয়না থকখি।
ওজা অদুনা মহৈরোয়শিংদা হংই। মসিদগী নখোয়না পারা তম্মী।
মহৈরোয় : শঙ্গোম থক্তবা মীশিং গধানি ...!!

লোয়নবী : ঐবু কয়াম নুংশিগে?
মপুরোইবা : শহজাননা মমতা নুংশিবগুম নুংশি।
লোয়নবী : অদু ওইরবদি ঐগীদমক তাজমহল শাবিগদৌরিরা?
মপুরোইবা : মফম লৈদুনা লৈরবনিনে? করিগী থেংথহল্লিবনো...??



নাওচা (তোম্বাদা) : ঐ লুহোংবা নুপী মপাম্না বি এম দল্লিয়ু অমা ফংই...
তোম্বা : য়াম ফৈনা অদুদি অদুবু নঙগী ননাক্তদি কার অমত্তা উদ্দেনা?
নাওচা : বি এম দল্লিয়ু হায়বদি 'বিগ মোটি ৱাইফ' হায়বনি...

মচানুপা : বাবা, ইমাদা করি মগুন উবদগী বাবানা ইমাবু লুহোংলগা লৌরিবনো?
মপা : নখোয় ইমাগী চিনবান ময়াদা থুংবা শম্বু অদু উরুবদগী নঙগী ইমাবু লুহোংদুনা লৌখিবনি।
মচানুপা : বাবা, নঙসু অঙকপনি ! শুপ্নগী অপিকপা শম্বু মচা অমগীদমক অদুক তোন্না পুন্সি হিংলিদুবু ...!

ওজা : মহেশ, এক্সপোর্ট অমদি ইম্পোর্টকী ফজবা খুদম অমমম পীয়ু ?
মহেশ : সানিয়া মির্জা অমদি সোনিয়া গান্ধী


☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: A Boy
By: Gracy Angom
Class: II Sec: E
School: Pitambara English School.



Title: Batman
By: Okram Lanchenba
Class: III
School: Pitambara English School



Title: Coronavirus
By: Hennalembi P.
Class: Nursery
School: P.P. Kids School




Title: Scenery
By: Master Robert
Class: KG Roll No. 4
School: Christ Jyoti English School



Title: Indian Flag
By: N. Karnajeet
Class: II
School: Tiny Tots Unique School



Title: Happy International Women's Day
By: Thoihen Yumnam
Class: II Sec: A Roll: 32
School: Air Force School, Gwalior (MP)



Title: Sunset
By: Sweety Thiyam
Class: V Sec A Roll: 9
School: Regular English High School



Title: Ice Cream
By: Katy Thoudam
Class: II Sec: A Roll: 14
School: Regular English High School



Title: Igloo
By: Thadoisana Thokchom
Class: I
School: P.P. Academy

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।